# য়ু এসকা উংখৎনরিঙৈদা ইরানননা মিসাইল দ্রিল হৌখ্রে



দুবাই, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) :
মতম কুইনা তাথিনদুনা টেহরান অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা কন্না উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা ইরানগী মিলিটরিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নেভিগী সোর্ট রেঞ্জ মিসাইল দ্রিল অমা হৌখ্রে।

ইরানগী মিসাইল প্রোগ্রাম অসি মিদল ইষ্টকী খ্বায়দগী চাওবা মিসাইল প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা অমনি। লৈবাক অসিনা অসিগুম্বা খুৎলাইশিং অসিবু য়ু এস অমসুং অতৈ য়েক্লবশিংগা লাল তৌনরকপা মতমদা খুদক্তা শীজিন্নবা য়াবা অমসুং খুৎ হনবগী মরু ওইবা ফোর্সনি হায়না লৌনরিবনি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা ইরানগী মিসাইলশিংবু লমদম অদুগী তংদু লৈতাবগী ফীভমদা অকিবা চাওনা পোকহনবা কনভেন্সনেল মিলিটরি ফোর্স ওইবগা লোয়নননা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিংগী দেলিভরি মেকানিজমনি হায়না লৌরি।

নুমিৎ নীনিগী ওইবা গল্ফ ওফ ওমানদা পাঙথোকখিবা এক্সরসাইজ অদুদা ইরানগী খ্বায়দগী চাওবা লালগী জহাজনি হায়নবা হেলিপেদ অমা য়াওবা লৈবাক অসিনা শাজবা জহাজ মক্রান অমদি মিসাইল কাপ্পবগী জহাজ জেরেহ (আরমর) সু শরুক য়াখি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা কুমজা ২০১৫ গী ইরান ন্যুক্লিয়র দিল থাদোক্তুনা টেহরানগী মায়োক্তা অমুক হন্না শেল থুমগী অথিংবশিং থমজিনখিবদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইরানগী মরক্তা কুমজা ২০১৮ দগী উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

হৌখিবা চহী খরা অসি ইরানগী মিলিটরি অমসুং গল্ফতা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সশিংগী মরক্তা মুক্রুদুনা লাকখি। ইরানননা গল্ফতা চহী খুদিংগী মিলিটরি এক্সরসাইজ পাঙথোক্তুনা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী মপানগী থ্রেটশিং থেংনবা ঙম্বগী পাঙ্গল উত্তুনা লাক্লি।

হৌখিবা চয়োলদা ইরানগী রেভোলুস্নরি গার্দস কোরনা গল্ফতা সাউথ কোরিয়াগী টেঙ্কর অমা ফাজিনখিবগা লোয়নননা মদুগী ক্রুশিং দিটেন তৌখি। য়ু এসকী অথিঙবশিংনা মরম ওইদুনা সাউথ কোরিয়াগী বেঙ্কশিংদা ইরানগী ফন্দশিং ফ্রীজ তৌশিনবগী মতাংদা টেহরান অমসুং সিওলগী মরক্তা উংখৎনরিঙৈদা টেঙ্কর অদু ফাজিনখিবনি।

কুমজা ২০১৯ গী অঙনবা শরুক্তা ইরানননা মালেমগী খ্বাইদগী মথৌ চিনবা থাউ পুথোক পুশিনগী ঈশিং লম্বী অদুদা বৃটিশ টেঙ্কর ষ্টেনা ইম্পেরো চয়োল অনী ফাজিন্দুনা থম্বদগী লমদম অদুদা উংখৎনবা হেনগৎখি। মদু গিব্রাল্টরগী সমুদ্র খোঙবান মনাক্তা বৃটিশ ৱারসিপ অমনা ইরানগী টেঙ্কর অমা থত্তুনা থমখিবা মতুং চয়োল অনী লৈরগা থোকখিবনি।

# শেমজিন শাজিনবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং ওনলাইনদা য়োল্লে হায়না স্বিস রেগ্যুলেটরনা ৱার্নিং তৌখ্রে

জিনিভা, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) :
ওনলাইনদা ভেক্সিনশিং লৈবগী মায়োক্তা স্বিজেরলেন্দগী হেল্থ রেগ্যুলেটরনা ৱার্নিং তৌখ্রে। শেমজিন শাজিনবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কয়া ইন্টরনেটতা ওর্দর তৌরি হায়রদুনা রেগ্যুলেটর অসিনা মরী লৈনবশিংদা ৱার্নিং তৌখিবনি।

স্বিসমেদিকনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, কোরোনা ভাইরস ভেক্সিনশিংগী দিমান্দ হেনগৎলকপগা লোয়নননা ক্রাইমগী ৱাখল চেনবা মীওইশিং অদু ওর্গনাইজেনশিংনা মীয়াম্না লায়না অসিবু কিনবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইন্টরনেটতা শেমজিন শাজিনবা কোরোনা ভাইরস ভেক্সিনশিং ওর্দর তৌরি।

স্বিসমেদিককী ষ্টেটমেননা হায়, লোনা য়াদবা হীদাক লাংথকশিং অমসুং ভেক্সিনশিং চেন্নরিবা ক্রাইমশিং, মরুওইনা শেমজিন শাজিনবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিংনা মীয়ামগী হকশেল অমসুং পুন্সিদা চাওনা অকিবা পীরি। মখোয়না ওর্দর তৌরিবা পোথোকশিং অদু এক্টিভ মচলশিং শুংয়াও য়াওদবা নত্রগা মীয়ামগী হকশেলদা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা ফৎত্রবা মচলশিং য়াওনা শেমজিন শাজিনবশিং ওইগল্লি। মাংজৌননা শেল পীহল্লগা পোৎ দেলিভর তৌদবসু তোয়না য়াওই।

স্বিজমেদিকনা চেকশিন্না হায়খি মদুদি কোরোনা ভেক্সিনশিং অসি মেদিকেল প্রোফেস্নেল অমনা নিংথিনা শেমশারবা মতুংদা সিরিঞ্জ অমনা কাপশিনগদবা সোল্যুসনশিংনি। ভেক্সিনশিং অদু অতৎ অখম লৈহন্দবা কোল্ড চেইনদা হাপ্লগা পুথোক পুশিন তৌবা চঙবনা অসিগুম্বা পোথোকশিং ওন লাইনদা য়োনবা য়ারোই।

ভেক্সিন কাপনিংবা খুদিংমক্না ডোক্টরগা তান্নরগা ওফিসল ভেক্সিনেসন পোইন্টদা ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। মালেম পুম্বনা পেন্দমিক লাকশিন্নবা হোৎনরকপগা লোয়নননা লৈবাক খরদা এপ্রুভ তৌবা কোরোনা ভাইরস ভেক্সিনশিং শীজিন্নদুনা ভেক্সিনেসন চথরিবনি।

দব্লিউ এইচ ওনা জন্যুৱারী ১২ দা থাদোরকখিবা পাউ মতুং ইন্না মালেম পুম্বগী ওইনা হৌজিক কেন্দিদেট ভেক্সিন ২৩৬ পুথোক্লবা হোৎনরি। মখোয়গী মনুংদা ৬৩ দি ক্লিনিকেল চাংয়েংশিং কন্না চথরি। ভেক্সিন পুথোক্লিবা লৈবাকশিং অদুগী মনুংদা জর্ম্মনি, চাইনা, রশিয়া, বৃটেন, য়ু এস অমসুং ইন্দিয়া য়াওরি।



# ‘য়ু এসতা লাকপা ইন্টরনেস্নেল এয়র পেসেঞ্জর খুদিংমক কোভিদ টেষ্টতা নেগেটিব ওইগদবনি’



ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চঙলকপা এয়র পেসেঞ্জর খুদিংমক কোভিদ-১৯ টেষ্টতা নেগেটিভ ওইবা চঙলগনি হায়না য়ু এস সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভিন্সন (সী দি সী) না লাউথোকখ্রে।

সী দি সীগী দিরেক্টর রোবর্ট রেদফিল্ডনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা খুৎয়েক পীখিবা অনৌবা ওর্দর অদু জন্যুৱারী ২৬ তগী চৎনরগনি। খোঙচৎকী মাংওইননা অমসুং মতুংদা টেষ্ট তৌথোকপা হায়বসি কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা তপথহন্নবগী মরু ওইবা চেকশিন থৌরাংগী মরোল অমনি।

ষ্ট্রেটেজি অসি হৌজিক লৈরিবা পেন্দমিক্কী ফেজগা চানৈ অমসুং মসিনা অমেরিকানশিংবু লায়না অসিদগী হেন্না নিংথিনা ঙাকথোকহনগনি। এয়র পেসেঞ্জরশিং য়ু এসতা মখোয়গী এয়র খোঙচৎ অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাং নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা ভাইরেল টেষ্ট অমা পাঙথোক্কদবনি অমসুং মরী লৈনবা এয়রলাইনদা মখোয়গী লেবোরেটরি টেষ্ট রিজল্ট অমগী অইবা দোক্যুমেন্টেসন পীগদবনি নত্রগা কোভিদ-১৯ দগী ফরকখিবগী দোক্যুমেন্ট উৎকদবনি। অনৌবা ওর্দর কাখৎত্রিঙৈদা মখোয় টেষ্টতা নেগেটিভ ওই নত্রগা নারম্বদগী ফারে হায়বগী দোক্যুমেন্টেসন এয়রলাইনশিংনা কনফর্ম তৌগদবনি।

য়ু এসতা পাইরক্ত্রিঙৈগী মমাংদা টেষ্ট তৌহনবা অমদি সী দি সীগী রিক্কমেন্দেসন মতুং ইন্না থুংলবা মতুং নুমিৎ ৩-৫ নি লৈরগা অমুক টেষ্ট তৌহনবা অমসুং লাল্লবা মতুংদা য়ুমদা নুমিৎ ৭ নি লৈহনবা অসিনা য়ু এসকী কম্ম্যুনিটিশিংগী মরক্তা লম চখোক চৎশিনগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা তপথহনবদা মতেং পাঙলগনি হায়না সী দি সীনা ফোঙদোকখি। এজেন্সি অসিনা মখা তানা হায়, দিপার্চরগী মাংওইননা টেষ্ট তৌদুনা রিজল্ট খঙলগা খোঙচৎকী মাংওইননা লৌখৎফম থোকপশিং লৌখৎহৌবা অসিনা প্লেন তোংদ্রিঙৈদা ভাইরস পল্লবা পেসেঞ্জরশিং মশক খঙদোকপদা মতেং ওইগনি।

লৈবাক কয়াদা সার্স-কোভি-২ ভাইরসকী অনৌবা ভেরিয়ন্টশিং লেপ্তুনা থেংনরকপগা ঈরোয়ননা অনৌবা ওর্দর অসি থোক্লকপনি। য়ু কেদগী লাকপা এয়র ত্রাভেলর খুদিংমক দিপার্চর মমাংদা পাঙথোকপা কোভিদ-১৯ টেষ্টতা নেগেটিভ ওইগদবনি হায়না সী দি সীনা হৌখিবা থাদা লাউথোকপা লৈখ্রে।

# বালোচিষ্টানদা পাক শান্না ওপরেসন হৌখিবদগী মীয়াম পাখৎনরে

ক্বেটা, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) :
ইথনিক হজরা কম্ম্যুনিটিগী কোল মাইনর ১১ তমথিনা হাৎখ্রবা মতুংদা পাকিস্টাননা বালোচিষ্টান প্রোভিন্সতা কাউন্টর টেররিজমগী মিংদা পাক শন্না ওপরেসন হৌখ্রে।

বালোচিষ্টানগী হোম মিনিষ্টর মির জিয়াউলানা লানগোভেনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, মশীং য়ামজদবা হজারা কম্ম্যুনিটিগী কোল মাইনর ১১ তমথিনা হাৎখিবগী থৌদোক্তা থাঙ্গেশেংনা চেন্নরিবশিং ফংনবা প্রোভিন্স অদুদা টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা পাক শন্না ওপরেসন চথবা হৌরে। কোল মাইনর ১১ অদু থা অসিগী ৩ দা মাছ এরিয়াদা মশক খঙদবা খুৎলাই পায়বশিংনা হাৎখিবনি।

বালোচশিংনা কিরিবদি পাক শন্না চথরিবা ওপরেসন অদু মখোয়গী নীংতম্বগী ঈহৌদা চৈথেং চাওনা পীনবগী এক্সরসাইজ অমা ওইবা য়াই হায়বসিনি। হৌখিবা থাদা টোরন্টোদা শক্লাইরবা বালোচ এক্টিভিষ্ট কারিমা বালোচ মথোং মরম খঙদনা শিখিবা মতুংদা বালোচিষ্টানদা নীংতম্বগী ঈহৌ অমুক হন্না কনখৎলকখি।

সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা লায়রবা বালোচ ইমুংশিংদা থোমজিন্দুনা থিবা হুম্বা চথরি অমসুং মখোয়বু ওক্যুপাইদ টেরিটরিগী সিটিজেন অগুম্না তৌবিরি। মখোয়দা লোয়লম শন্দোকপগী ৱাখল লৈরি। মখোয়গী ফজদবা থৌওংশিং ঐখোয়না সোসল মীদিয়াগী খুত্থাংদা এক্সপোজ তৌবনি হায়না ইহটেসাম অফঘান কৌবা পি টিট এমগী এক্টিভিষ্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মার্চ থাদা মীওই ১১ হাৎখ্রবা মতুংদা ওইরক্লিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম খন্নবগী মীফম অমা লানগোভেনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা মতুংদা মহাক্না খ্বাইদগী নৌবা ওপরেসন অদু লোঞ্চ তৌখিবনি হায়না লোকেল মীদিয়া রিপোর্টশিংদা ফোঙদোকখি।

ভোইস ফোর বালোচ মিসিং পার্সন্স (ভি বি এম পি) গী ভাইস চ্যেরপার্সন মমা কাদির বালোচকুম্বা শক্লাইরবা বালোচ এক্টিভিষ্ট কয়ানা বালোচিষ্টানদা মরাল লৈজদবা লোকেল মীওইশিংদা টার্গেট তৌদুনা অচৌবা মিলিটরি ওপরেসন অমা চথরকপা য়াই হায়না মাংজেৈননা থাজখি।

# ঈ য়ুগী ওফিসলশিংনা উননিংদবদগী মাইক পম্পিয়োগী য়ুরোপ খোঙচৎ কেন্সেল তৌখ্রে

ব্রসেলস, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) :
য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পম্পিওগী অরোইবা য়ুরোপ খোঙচৎ লৈবাকপোকপা নুমিতগী অরোইবা মিনত্তা কেন্সল তৌখ্রে।

লক্সেমবর্গগী ফোরেন মিনিষ্টর অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা মহাকপু উননিংদবদগী ইঙ্গিৎ পীরকপদগী পম্পিওগী খোঙচৎ অদু কেন্সেল তৌখিবনি।

মমাংদা অমুক্তা উখিদ্রবা মওংদা অমেরিকান দিমোক্রেসিদা এটেক তৌবগী থৌদোক অমদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প শৌগৎপশিংনা য়ু এস কেপিটোলদা থোমজিনখিবা মতুং নুমিৎ খরনিগী মনুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি।

ত্রম্পকা নকশিন্নবা মীশক অমা ওইরিবা পম্পিওনা নাটোদা য়াওবা য়ু এসকী মীচং অমা ওইরিবা লক্সেমবর্গকী জোন অসেলবোর্ন হান্না উন্নরবা মতুংদা ব্রসেলজদা ঈ য়ুগী লিদরশিং অমসুং ব্লোক অসিগী টোপ দিপ্লোমেটিক উন্ননবা থৌরাং তৌরম্মী হায়না থৌরাং অদুবু মুন্না খঙবা মীওই অহুম্না এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।



তৌইগুম্বসুং ওফিসল ওইনা লাউথোকখিবা লৈত্রবসু পম্পিওনা ইহান হান্না পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখিবা লক্সেমবর্গকী খোঙচৎ লৈবাক অসিগী ওফিসলশিংনা পম্পিওবু উননিংদবগী ঈঙ্গিৎ পীরকপদগী কেন্সেল তৌখ্রে হায়না দিপ্লোমেটিক সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লক্সেমবর্গকী খোঙচৎ কেন্সেল তৌখ্রবা মতুংদা ব্রসেলজগী খোঙজৎ কাইদবগী মওংদা লৈরমখি। তৌইগুম্বসুং পম্পিওগী অরোইবা ব্রসেলজ খোঙচৎকী প্রোগ্রাম অদুনা মরম ওইদুনা খোঙচৎ অদুগী কান্নবা করিনো হায়বা ৱাহং অমা লাকখি।

ঈ য়ুগী ওফিসলশিংগা অখন্ননা উন্নবা নত্রগা নোটোদা পব্লিক ইভেন্ট পাঙথোকপগী ৱাফম অমত্তা য়াওখিদে।

হৌজিক য়ুমশকৈশদা ৱাশিংটনদা থোকখিবা অমেরিকান দিমোক্রেসি শীংনখিবা থৌদোক অদুনসু মীচঙশিংবু থম্মোয় শোক্লখি হায়না অতোপ্পা দিপ্লোমেটিক সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ অদুগী অঙনবা রেলি অমদা ত্রম্পনা সিনেট অমসুং হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভ লৈরিবা বিল্ডিং অদু তম্না চঙশিনবা পাম্বা মহাক্কী সপোর্টরশিংবু পুক্লিং থৌগৎখিবনি।

# ইন্দোনেসিয়াগী কায়খিবা প্লেনগী দেটা রেকোর্দর দাইভরশিংনা লৌখৎখ্রে

জকার্টা, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা থাংজদা জকার্টাগী এয়রপোর্টতগী পাইখৎখিবা মতুং মিনিট খরগী মনুংদা কায়খিবা মীওই ৬২ তোংবা ইন্দোনেসিয়াগী শ্রীৱিজায়া এয়র ফ্লাইট ১৮২ গী ফ্লাইট দেটা রেকোর্দর লৈবাক অসিগী নেভিগী দাইভরশিংনা লৌখৎলে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ভিক্টিম খরগী হকচাংগী শরুকশিং বোদি বেগ কয়াদা হাপ্লগা সমুদ্র মপানদা পুখৎলক্লে হায়নসু ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। হৌজিক প্লেন অদুগী পেসেঞ্জর অমত্তা হিংনা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে।

এয়রক্রাফ অদুদা য়াওরিবা ব্লেক বোক্স হায়রগসু খঙনবা ফ্লাইট দেটা রেকোর্দর অনীগী মনুংদা অমা থুনা ফংবা ঙমখিবা অসিনা ওফিসলশিংবু চহী ২৬ শুরবা বোইং ৭৩৭-৫০০ অদু কেপিটেলদগী পাইখৎখিবা মতুং শুপ্পগী মিনিট মরিগী মনুংদা করিগী কায়খিবনো হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংলগনি।

প্লেন অদু মিনিট ৯০ রোমগী ওইবা ফ্লাইট অমদা বোর্নিও ঈথৎকী পোন্টিয়ানাক তম্না পাইখিবনি। লাকি কৌবা অপিকপা ঈথৎ অনীগী মরক্তা ফুট ৭৫ লুথনা তারম্বা থেংনখি। মহৌশা বোইং প্লেনগী মকোক অমসুং মমৈদা ফ্লাইট দেটা রেকোর্দর অনী য়াওই। প্লেনগী মনিংদা য়াওবা ফ্লাইট দেটা রেকোর্দর অমনা পাইরিঙৈ মনুংদা লৈখিবা জেট অদুগী টেক্নিকেল ওপরেসনগী ইনফোর্মেসন পী কোকপিটতা য়াওবা ভোইস রেকোর্দরনা পাইলোট অমসুং কো পাইলোটকী মরক্তা শান্নরিবা ৱারীশিং রেকোর্দ তৌশিল্লি।

দিভাইস অনীমক্তা য়াওরিবা ইনফোর্মেসন এনালাইসিস তৌরগা প্লেন অদুনা পাইরিঙৈদা করি থোকখিবগে হায়বগী চপ চাবা শক্তম অমা ফংবা ঙমগনি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থাজরি। প্লেন অদু জর্কাটাগী সোইকার্নো হাটা ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্টতগী পাইখৎখিবা মতুং ফুট ১১,০০০ রোম পাইখৎলম্লগা ঈশিংদা কায়খিবনি। অকাই অতোইশিং ফুট ১,২০০ শাংবা অমসুং ফুট ৩০০ পাকপা এরিয়াদা চাইথোক্লমখি।

# মালেসিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়চৎ লাকশিন্নবা গভর্ণমেন্টনা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে



কুলা লম্পুর, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) :
মালেসিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়চৎ থিংনবা ইমর্জেন্সি লাউথোকপগী ৱাফম নিংথৌ সুল্টান অব্দুলাহ সুল্টান অহমদ সাহনা য়ারে হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর মুহিদ্দিন য়াশিন্না হায়খ্রে।

টেলিভিজনদা শন্দোকপা স্পিচ অমদা মুহিদ্দিননা হায়খি, ইমর্জেন্সি অদু কয়াম শাংনা চৎনগদগে হায়বসি কোভিদ-১৯ গী ফীভমগী মখা পোনগনি। নেস্নেল পেলেসনা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমদা নিংথৌনা ইমর্জেন্সি লাউথোকপগী অয়াবা পীরে হায়খি।

ইমর্জেন্সি লাউথোকপগা লোয়নননা কোভিদ-১৯ লায়চৎনা শোকহল্লবা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা চখোক চৎশিনগী অথিংবা কয়া থল্লিবদুদা মীয়াম্না পুক্লিং লৈতানা ঈংনা চিক্না লৈনবসু নিংথৌনা আপীল তৌখি।

কোভিদ-১৯ গী ওইরক্লিবা ফীভম অদু লৈবাক অদুগী হেল্থ ক্যের সিষ্টেমনা থেংনবদা ৱারকপা য়াবগী ফীভম অমা লাক্লে হায়দুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা জন্যুৱারী ১৩ দগী হৌনা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা লাকশিন্নবগী চখোক চৎশিনগী অথিংবশিং হেন্না কনশিল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা ইমর্জেন্সিগী খোঙথাং অসি লাকপনি।

হেন্না কনবা অথিংবশিং চৎনগদৌরিবা মফমশিংগী মনুংদা কেপিটোল কুলা লম্পুর লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিং পেনাং, সেলাঙ্গোর, মেলাকা, জোহোর, নোরদর্ন বোর্নিওগী সাবাহ য়াওরি।

হেন্না কনবা অথিংবশিং অদুগী মখাদা মী য়াম্না তিনবা য়াবা সোসল ফঙ্কসনশিং অথিংবা লৈবগা লোয়নননা মীয়াম্না কিলোমিটর ১০ না কোনবা লমশিংদগী হেন্না লাপথোক্লা চৎপদা অথিংবা লৈগনি। রেষ্টোরেন্টশিংদা দাইনিং তৌবা য়ারোই।

হৌখিবা চয়োল অসিদা মালেসিয়াদা কোভিদ-১৯ কেস নুমিৎ খুদিংগী ৱাংখৎলকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়া ঈশিং থুমখি। মীওই লীশিং কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা সেল্টরশিংদা লৈনখি।

# টেররিজম ব্লেকলিষ্টতা হাপচিনবগীদমক ক্যুবানা য়ু এস কন্দেম তৌখ্রে

হবোনা, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) :
ক্যুবাবু য়ু এসনা টেররিজম থৌগৎপা লৈবাকশিংগী লিষ্টতা হাপচিনখিবা অসি কন্দেম তৌই হায়না ক্যুবাগী ফোরেন মিনিষ্টরর ব্রুনো রোদ্রিগিজনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসনা মশানা হায়রিবা অমদি তৌরিবশিংবু চুম্মী হায়বগী মতাগুম্না ক্যুবাবু টেররিজম শৌগৎপা লৈবাকনি হায়না লাউথোক্লিবসি কন্দেম তৌই হায়না মিনিষ্টর অসিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ত্বিটর পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখি।

পোলিটিকেলগী অখুবা মীৎয়েংদা য়ু এসনা খুদোংচাবা লৌবগীথৌওং চথৈ হায়বসি টেররিজম অমসুং মসিগী ভিক্টিমশিংগী মতাংদা থম্মোয় শেংনা খল্লিবশিংনা খঙই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কুমজা ২০২০ দা ঈথৎ লৈবাক অসিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক শন্দোরকপা তপথহন্নবা হোৎনরকখিবগা ঈরোয়নননা ৱাশিংটননা হাবানাবু কাউন্টর টেররিজমগী থবকশিংদা য়ু এসতা মপুং ফানা কোওপরেসন পীদবা লৈবাকশিংগী লিষ্টতা য়াওহনখি।

কুমজা ২০১৫ দা মতমদুগী য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগী এদমিনিষ্ট্রেসন মখাদা ক্যুবা অসি টেররিজম শৌগৎপা ষ্টেটশিংগী লিষ্টতগী লৌথোকখি অমসুং লৈবাক অনীগী মরক্তা অমুক হন্না দিপ্লোমেটিক মরী থম্নবা হৌখি। অদুম ওইনমক ক্যুবাদা য়ু এসনা থল্লিবা অথিংবশিং মপুং ফানা লৌথোকখিদে। অথিংবা অদু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না হেন্না কনশিনহনখি। এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা হবানা নত্তনা ক্যুবাগী সিটিশিংদা য়ু এসকী ফ্লাইটশিং পাইবা থিংজিনখি। য়ু এসকী ক্রুজ জহাজশিং ক্যুবা য়ৌবা থিংখি।

# খুদোংথিবা নংবা য়ারবসু ক্রেম্লিন ক্রিটিক নভালনি জর্মনিদগী রশিয়াদা পাইরগনি

মোস্কো, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) :
ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নাভালনিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি মহাক য়ুমশকৈশা নুমিত্তা জর্মনিদগী রশিয়াদা পাইরগনি। জেলদা লৈবা য়াবগী লিগেল রিস্ক কয়া উনা উনা নভালনিনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

রশিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মরু ওইবা ক্রিটিকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নভালনি হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতা প্লেন অমা তোংলিঙৈদো লেকথরকপদগী লায়েংনবগীদমক জর্মনিদা পাইখি। জর্মনি অমসুং নোংচুপ্লোমগী অতৈ লৈবাক কয়ানা থৌদোক অদু মহাকপু নোভিচোক নর্ভ এজেন্ট অমা শীজিন্নদুনা হাৎনবা হোৎনবনি হায়খি। অমরোমদা রশিয়ন ওথোরিটিশিংনা থৌদোক অদুদা মখোয় চেন্নদে হায়খি।

ইন্সটগ্রামদা ইবা ৱারোল অমদা নাভালনিনা হায়খি, হল্লকপা নত্তনা হল্লক্তবা হায়বসি কৈদৌঙৈদসু ৱাহং অমাওইখিদে। ঐহাক্না অতম্ননা রশিয়া থাদোকখিবা লৈতে। ঐহাক মখা তাবা লায়েং চথনবগীদমক ইন্টেন্সিভ ক্যের বোক্স অমদা জর্মনিদা থুংখিবনি।

নভালনিনা মখা তানা হায়খি মদুদি প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মীওইশিংনা মহৌশাগুম ঐহাক্কী মায়োক্তা অনৌবা ত্রিমিনেল কেসশিং শেমজিন শাজিন্দুনা থবক তৌরি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না ঐঙোনদা করি তৌরক্কদগে হায়বসিদা ঐহাক্না খনবা পামদে। রশিয়া ঐহাক্কী লৈবাক্নি। মোস্কোনা ঐহাক্কী সিটিনি। সিটি অসিদা লৈরক্তবা কুইবসিদা ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা পোকই।

সস্পেন্দ তৌখিবা কোর্টকী সেন্টেন্সকী টর্মশিং থুগাইবগী মরালদা মহাকপু জেলদা থম্নবা রশিয়ন ওথোরিটিশিংনা কোর্ট অমদা হায়খ্রে হায়বসি কোর্টকী দোপ্যুমেন্ট খরনা উৎখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা মহাক্না ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি। মদু পোলিটিকেল ইথিল চংবা কনভিক্সন অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।



রসিয়াগী ফেদরেল প্রিজন সর্ভিস (এফ এস আই এন) না হৌখিবা থাদা নাভালনিদা খুদক্তা জর্মনিদগী পাইরক্লগা মোস্কোদা লৈবা ওফিস অমদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না খঙহনবগা লোয়নননা করিগুম্বা মতম চানা হল্লক্ত্রবদি মহাকপু জেলদা থমগনি হায়না কিহনখি।

# য়ুট্যুবনা ত্রম্পকী অনৌবা ভিদিও দিলিট তৌখ্রে, অনৌবা অপলোদশিংসু থিংজিনখ্রে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) :
নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ওফিস থাদোক্লগদবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী অনৌবা ভিদিও অমা গুগলনা চলাইবা য়ুট্যুবনা মহাক্কী একাউন্টদগী লৌথোকখ্রে। কন্টেন্ট পোলিসিশিং খোঙ্গাওনৈ হায়রদুনা য়ুট্যুবনা ত্রম্পকী একাউন্টদগী অনৌবা ভিদিও অদু দিলিট তৌখিবনি।

কম্পনি অসিনা মহাক্কী একাউন্টগী মায়োক্তা ষ্ট্রাইক অমসুং ইশ্যু তৌখিবগা লোয়নননা মহাক হৌজিক য়ামদ্রবদা চয়োল অমদি অনৌবা ভিদিওশিং অপলোদ তৌবা নত্রগা কন্টেন্ট লাইভষ্ট্রিম তৌবা য়াররোই।

য়ুট্যুবকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, নিংথিনা রিভিয়ু তৌরবা মতুংদা অমসুং হৌজিক হৌজিকমক মীশি মীনা অমদি অমাং অতা কয়া থোকহনগদবা ঈৱাং কনখৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরিবসি য়েংদুনা ঐখোয়না দোনাল্ড ত্রম্প চেন্নেলদা থাগৎলম্বা অনৌবা কন্টেন্ট লৌথোক্লে অমদি ঈৱাং হৌহনগদবা মরী লৈনবা ঐখোয়গী পোলিসিশিং খোঙ্গাওনবগীদমক ষ্ট্রাইক অমা ইশ্যু তৌখ্রে।

খোঙথাং অসিগা লোয়নননা ঐখোয়গী মতম শাংনা চৎনরক্লিবা ষ্ট্রাইক সিষ্টেমগী মতুং ইন্না চেন্নেল অসি অনৌবা ভিদিওশিং অপলোদ তৌবা নত্রগা লাইভ ষ্ট্রিম তৌবদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ তরেৎনি অথিংবা লৈরগনি। অথিংবগী মতম অসি তঙাই ফদ্রবদি শাংদোকপসু য়াই হায়না য়ুট্যুবকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংগী মতাংদা হৌজিক নুংনাংবা লৈরিবসি য়েংদুনা ত্রম্পকী ভিদিওশিংদা কম্মেন্ট পীবসু য়ুট্যুবনা মতম কক্তনা য়াহন্দরে। মমাংদা কেপিটোলদা চথখিবা মোব এটেক অদুগা মরী লৈনবা ত্রম্পকী ভিদিও অমা য়ুট্যুবনা লৌথোকপা লৈখ্রবনি। মখা তানা ঈৱাং থোকহল্লকপা য়াবগী রিস্ক লৈ হায়রদুনা ত্বিটরনসু ত্রম্প বেন তৌখ্রবনি।

জো বাইদেননা মীখলদা মায় পাকপগী সার্টিফিকেট পীবগী প্রোসেস থিংনবগী পান্দমগা লোয়নননা ত্রম্প শৌগৎপা মীওই কাঙবু অমনা য়ু এস কেপিটোলদা থোমজিনখিবা মতুংদা ত্বিটরনা মহাকপু থিংবগী খোঙথাং অদু লাকখিবনি।

ত্রম্পনা ফেসবুক ইন্সটাগ্রামদা পোষ্ট থাগৎপদা ফেসবুক্না পুং ২৪ অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা সী ঈ ও মার্ক জকরবর্গনা মহাক্না একাউন্ট জন্যুৱারী ২০ ফাওবা শীজিন্নবা য়াহল্লোই হায়না লাউথোকখি।



ঐখোয়গী পোলিসিশিং খোঙ্গাওনবগীদমক ষ্ট্রাইক অমা ইশ্যু তৌখ্রে।